থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# দিল রেপর্টোরি থিয়েটরগী অনৌবা দ্রামা



‘হুই মমৈ অমসুং ঝরপ মখুল’ - লিলোং চজীংদা লৈবা দিল রেপর্টোরি থিয়েটর’ গী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী শেন্থং মখাদা পুথোকপা অনৌবা লীলা অসিগী দিরেক্টর পুখ্রম্বম খোগেন্দ্র’না লীলা হৌরমদাইদা অয়েংবশিংদা হায়... ‘মমাঙদা সিরিয়স ওইবা লীলা কয়া পুথোকখ্রে, কোক ৱাই চিলহনবা, ৱাখল খলহনবা লীলা... থবক্তগী পোত্থারবা, অহল হায়বদু ওইশিল্লক্লবা মতমসিদদি অদুগুম্বা লীলা পুথোক্ল ীংদ্রে অমদি য়েংনীংদ্রে ... ইচম চম্বা, পূক্লিংসিবু নুংঙাইহনবা, ৱাখলসিবু পোত্থাহনবা, ঙাইহাক পুংগোয় ৱা-ৱা নোকহনবা লীলা ওইনা পুথোক্লিংলে ... চহী খরই মমাঙদা জি সী তোংব্রাগী ‘চাংয়েং মাঞ্জ’ পুথোকখ্রবা মতুংদা অদুগুম্বা মখলগী লীলা অমগা পুথোক্কে খল্লকখিবদু ফুঙ্গা ৱারীওই করিওই তৌবা ৱারী অমা তারুবদগী মরুপ জাদুমনিগা লোয়ননা ৱাখল চূমশিন্নদুনা ফম্বাক লীলা ওইনা শাগৎপনি’...। মহাক্না হায়খিবা ৱাহৈশিংদুগী ‘দাইরেক ক্বোট’ তৌবা ৱাহৈ নত্তে, মচং ওইবা মশক্তুনি। চেজায় ওইনা নল্লিবা ব্রোচ্যুরদুদসু দাইরেক্টরগী ৱারোলদা ই ... ‘ঐখোয় পূন্না খঙমিন্ননবা হোৎনসি- জাদুমনিগী খূৎই অসি ফার্স, হ্যুমর অমদি কমেদি অহুমসিগী মরক্তা করম্বনো?

ৱা’বু ফাগী লীলা/নোক্লিং লীলা হায়বা! ফাগী তৌবা, মীবু নোকহনবা, নুংঙাইহনবা হায়বসি অরুবা আর্ট অমনি। খোগেন্না হায়রিবা ৱা অমদি হোৎনরক্লিবা এত্তেমপ্ত অসি অরায়বা নত্তে। হ্যুমরস প্লে/কোমিক প্লে অমা ইবা হায়বসি লীলা ইবা অমনা ইনীংই হায়দুনা হেক্তা ইবা য়াদে। তোংব্রাগুম্বা প্লেরাইট অনীশুনা থোরক্ত্রিবা অসিনি। পুখ্রম্বা শামুনসু ‘অশেঙবী লৈশাবী’ নত্তনা অনীশুনা ইরমদে। মতৌ অসুম্না ফাগী পুবা প্লে অমা শান্নবা হায়বসিসু এক্টর অমনা হেক্তা তৌবা ঙম্বা থৌদাং নত্তে। অখন্নবা এক্টরশিংতনা তৌগদবা থবকনি। মতৌ (রাশি) লৈবা, পকচবা, ফাগী তৌবা হৈবা হায়বসি মী খুদিংদা চেনবা গুন নত্তে। লীলা হৌদ্রিঙৈ, খোগেনগী ৱাহৈদু হেক লোইখিবগী তেনখ্রবা মীকূপ খরদুদা ঐনা মাগীদমক খনখিবা ৱাখল শঙবায় শঙবায়নি। মীতৈগী ফাগী, অতৈদগী পূঙতোং তোংঙাল্লি। ইংলিসকী ফার্স, হ্যুমর, কমেদিগী ৱাহন্থোক পানশিল্লগা মশক লেপ্পা য়ারোই।

কর্টেন (ফিজঙ) য়াওদবা ওদিটোরিয়মদু অঙৌবা ফিখল অমনা পূমথুং থুংনা খনজিন্দুনা লৈরম্বদুদা খনখিবনি - য়াম্না ইফেক্টিব ওইবা সেদো-প্লে (মমিগী কুম্মৈ) অমদি শোয়দনমক্কী য়াওরনি। খনখিবদুমক চুল্লকখি - নাকপাক অনী য়ানথৎনবা, হাত্তোক্লবা লানগী সেদো-ইফেক অমনা শৈহৌ ওইখি লীলাদুগী। মতুং তাবা ৱারীনি - লান-ঙল্লবা নিংথৌদুনা মায়থীরবা নিংথৌদুগী সনা কোনুং লুট তৌদুনা সনা-লুপা-লন-থুম লৌখিবতা নত্তনা মীশি-মীনা নংলবা, অৱাবা তারবা মীয়ামদুগী মরল-মথুমসু মত্তুনা লৌখি। লানঙম্বা নিংথৌনা কোনুংদগী মৎলকপা পোৎশিংদুগী মরক্তা, মায়থীরবা নিংথৌদুনা লুনা-চান্না-চেকশিন্না থমজবা ৱাগী উতোং অমা য়াওরক্লম্মি। মনুংদা করি য়াওরিবা! লাংতক্ল বনা পোত্থাফম খঙলমদে। ময়ূম-কোনুং য়ৌরগা মরোল মরোল লৈরিবা লৈমরেম্বী (রানী) শিংদুনা পোত্থাখ্রব’কান উতোং অদু হাংদোক্তুনা য়েংলুরে। উতোংদুগী মনুংদা অতোপ্পা উতোং অমা! অমদুগী মনুংদা হেন্না পিকপা অতোপ্পা উতোং অম’মুক! মথং মথং হাংদোক্লব’তুংদা থোরক্লে - মতম কুইনা ফাজিন্দুনা থল্লল্লবা ‘ভুট’ অমা। থোরকপগা হায়রকই ‘থবক পীয়ু’। অপীবা থবক অদু হেক লোইবা মীৎকুপ্তা অতোপ্পা থবক অমা অমুক। মহাকপু থবক তৌহন্দনা মখূৎ হাঙনা থম্বা মীৎকুপ অদুদা মহাকপু লোয়রিবা মপু, নিংথৌমকপু হাৎকনি। লম্বী থোং শেম্নবা, অমনবা য়ূম শীদোক্তুনা অহনবা য়ূম শাবীনবা, লৈবাক্কী লায়রবা মূখৎনবা থৌদাং কয়া শিন্নর’সু, লেপ্তুনা পাঙথোরকপনা মহাক্কী পুন্সি তেন্নবই মরম ওইরকপদুদা পোত্থী অমা পুথোরকই - অমত্তা পোকপী মমোমদু পাখঙ অমদা লুহোংথোকপীরগা, লৈবাক তংখায় পীথোক্লগা মদুগী নিংথৌ ওইহল্লগা, মচাগী অউন-নাই ওইনা ভুট অদু পীথোকখিবা! লৌশিং শিংবা নিংথৌ নহা অদুনা মহাক্কী কান্নবা থবক পূন্নমক ‘শক্তি-লৈবা-ভুট’তুবু তৌহল্লগা কান্নবা লৌবা লোইর’তুং থৌদারকই ... ‘মহাক্কী তাউবা হুইদুগী অখোয়বা মমৈ অদু চুমথোকউ’...। থৌদাংদু পাঙথোকপা ঙমদদুনা ভুট অদু চেনখরে। উমং অমদা লৈদুনা অচৎ-অওকশিংদা ওৎলক্লে - মহাক্না হংবা ৱাহংশিংগী অচুম্বা পাউখুম পীবা ঙমদ্রবদি হাৎকনি। ‘ভুট’ না হংবা ৱাহংবু মীনা খুম’ঙমদবা হৌনবরা? মহাক্কী থৌরাং মায় পাক্লক্ত্রবদা নোংমা খঙহৌদনা মহাক্কী রুল হোংদোরকই - ‘ঙসিদগী মীনা মঙোন্দা ৱাহং হংগদবনি, মহাক্না অচুম্বা পাউখুম পীবা ঙল্লবদি ৱাহং হংলিবা মীশক্তুগী য়াইবী থৱায় লৌগনি, ঙমদবা থোক্লে মহাক্কী য়াইবী মাঙবা’...। অনৌবা রুল হকথেংনরুব্দু চাক থোংবা চৎলুবা বামোন অমা ওইনা হেক থোক্লুরে। তৌফম খঙদ্রবা বামোন্দুনা পাক্লবা ‘ঝরপ’ তুনা মমায় খুল্লগা হংলকই... ‘ঝরপ মখুল ময়ামদুগী মরক্তা করম্বা মখূন্দগীনো নঙনা ঐবু উরিবা’...? পাউখুম পীফম খঙদ্রবা ভুট অদু চেনবা তাখি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা। নিংথৌ অদু মরা তপ্না লৈবাক ঙাকপা ঙমজহৌখি।

এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এক্টর ময়াম্না শান্নবা লীলা অসিনা, দাইরেক্টরনা পামজখিবা অয়েংবশিংবু ৱা-ৱা নোকহন্দুনা ৱাখল-টেন্সন য়াওদনা লীলা য়েংহনবা হায়বা পান্দম অদু ফংবা ঙমখিবরা হায়বদুদি ৱাহং ওইহৌরি। লীলা অসি উরুরগা ফোক-ফেবল তোৎশিন্নবা পামজখিবা গিরিস কর্নাদকী দ্রামাটিক ইলিমেন্ট নীংশিংহল্লি। অতৈদি খঙদে ঐবুদি নোকহনবা ঙমখিদে।

লৌশিং পুক্কে

# ওটিজম : ৱারী-ৱাতাই শানদুনা পাউ ফাওনবা ঙমদবা অমদি মতম পূন্নমক্তা ৱাখল মপুং ফাদবগী থৌওং উৎথোরকপা লায়না

ওটিজম হায়বসি ন্যুরেল দিবেলপমেন্টতা অশোয়বা লৈবদগী খুন্নাইগা তোৎন-তিন্নবা ঙমদবা, ৱারী-ৱাতাই শানদুনা পাউ ফাওনবা ঙমদবা অমদি মতম পূন্নমক্তা ৱাখল মপুং ফাদবগী থৌওং উৎথোরকপবুনি। অঙাং অমনা মশাগী চহী অহুম শুদ্রিঙৈদা লায়না অসিগী লাইওং উৎথোরকই। ওটিজমনা নর্ভ সেলশিংগী মথৌদা অপনবা পীবদগী ব্রেননা ইনফোর্মেসন প্রোসেস তৌবদা অকায়বা-অশোয়বা থোকহনবনি।



মালেমগী ওইনা য়েংবদা মীওই ১০০০ খুদিংগী মনুংদা মীওই অনীদি লায়না অসিনা নাবা থেংনৈ অমসুং নুপীমচাদগীদি নুপামচাদনা শরুক মরি হেল্লি হায়না সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি) গী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। কুমজা ১৯৮০ গী মতুং তারকপদা ওটিজম স্পেক্ট্রম দিসওর্দর (এ এস দি) না নাবগী চাং অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি। লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং অকোয়বগী ফীভমদা থোইনা নাচুংবা পোক্তে অমসুং মীগা ৱারী শান্ননিংবগী অপাম্বসু লৈতে। ৱারী শান্নবা তারবসু মীগী মমিৎতা য়েংলগা ৱা ঙাঙবা অমদি মশাগী অনীংবা অপাম্বা মপুং ফানা ফোঙদোকচবা ঙমদে। তশেংবদি ব্রেনগী সেলশিংদা অশোয়বা লৈবদগী মরোল শুনা থোক্তবা মরম্না অতোপ্পা মীওইগা পাউ ফাওনবা ঙমদবনি। মসিনা মরম ওইরদুনা অয়াম্বা মতমদা য়াম্না শাউগল্লি অমসুং পোৎচৈদা য়াম্না তাইনগল্লি। মরোল শুনা থোক্তবদগী মশাগী অনীংবা অপাম্বা মপুং ফানা ফোঙদোকচবা ঙমদবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীগা ৱারী শানবদসু পাউ ফাওনবা ঙমদে। লায়না অসিনা নারবা মীওইশিং অতৌবা থবক অমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌবা, মফি মরোল হোংঙু য়াদবা, অয়েংবা টেলিভিজন প্রোগ্রাম অমখক্তং হঞ্জিন হঞ্জিন য়েংগে হায়বা, শান্নপোৎ অমখক্তংদা খোয়দাবা অমদি য়াম্না ঈকাই থীগনবগী মওং অমসু উবা ফংগনি। মসিগীসু মথক্তা খুজিন্না উনসাদা শীকচবা, মখুৎ চীকথৎপা অমদি মকোক্না ফক্লাংদা য়ৈশিঞ্জবগুম্বা মশানা মশাবু শোকহঞ্জবা য়াবা থৌওং কয়াসু চত্থরকপা য়াই।

জিনদা অশোয়বা লৈবদগী তোঙান তোঙানবা ব্রেনগী সিষ্টেমদা অহোংবা থোরক্তুনা ওটিজম ওইহল্লকপনি। অদুম ওইনমক মতৌ করম্না জিনগী অশোয়বা লৈরক্লিবনো হায়বদুমদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। লায়না অসিনা নারবা অঙাংশিং পোক্লকপদা ঙায়রিঙৈদা খোঙজেল য়াঙনা ব্রেন শেমগৎ-শাগৎলকই অদুবু খরা লৈরগদি অসুম অসুম তপথখিদুনা ব্রেনগী শরুক মপুং ফানা শেমগৎ-শাগৎপা ঙমদে। মসিনা মরম ওইরদুনা শারৈ হৌবগী থৌদোকসু তোয়না থোক্কল্লি।

অঙাং অমনা মশাগী চহী অমা মপুং ফারবফাওবা ৱা ঙাঙদ্রবা, চানিংই-থক্লিংই হায়বনচিংবগী ইঙ্গিৎ অমত্তা তৌরক্ত্রবা, চহী অনী শুরবফাওবা ৱাহৈ অনী শুনা ঙাঙদ্রবা অমসুং মীগা তোৎন-তিন্ননিংবগী অপাম্বা লৈত্রবদি অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ডোক্তরগা তান্নগদবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং জাপানদদি তঙাইফদবা খোঙথাং অমা ওইনা অঙাং খুদিংমক মশাগী চহী অমামখায় হেক শুরকপগা ওটিজমগা মরী লৈননা স্ক্রিনিং তৌই।

লায়না অসিগী চপ চাবা লায়েং পথাপ লৈতবা তারবসু অনাবা মশা অমদি ইমুং মনুংদা থোরকপা য়াবা খুদোংচাদবশিং খরমখৈ হন্থহন্নবগী পান্দমদা লায়েংবগী থবক পায়খৎলি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লায়না অসি লায়েংদুনা ফহনবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক করিগুম্বা কান্দা হান্নগী চাংদগী ফীভম ফগৎলকপা য়াওদবদি নত্তে।

চাংদম্নদুনা য়েংবদা নুপামচানা নুপীমচাদগী লায়না অসি নাবগী চাং ৱাংই। হীরমসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মরম পীনরকখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। অখঙ অহৈশিংনা থিজিন হূমজিনবদা খঙলকপা মতুংইন্না মমা নত্রগা মপা নত্রগনা অনীমক চহী য়াল্লবকান্দা পোক্লকপা অঙাংশিং ওটিজম নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়রি। লোয়ন-লোয়ননা দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিং নত্রগনা মীরোল্লিঙৈদা সাইকিয়াট্রিক্কী হীদাক লাংথক চাবা নুপীশিংনা পোক্লকপা অঙাং অদুসু রিস্ক ৱাংই হায়বা খঙবা ঙল্লে।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৯৮ অমসুং লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৯৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রবশিংদা মনা পীখ্রে



অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম (স্পোর্টস)



তোংব্রম জিবোন (লিটরেরি)

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস): হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিনা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা হুইয়েন লানপাউগী স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৯৮গী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম অমসুং লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৯৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা তোংব্রম জিবোনদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা মনা খুৎশিন্নখ্রে।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা মনা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৯৮ গী মনা ফঙখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, অপোকপা লৈখিদ্রবা মনিকচান্দ অমদি অপোকপী লৈখিদ্রবী ইতোবী অনীগী মচানুপানি। নোংমৈবুং সেরাম লৈরক্তগীনি।

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্তি মালেম অসিদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অদুক্কী মতিক চাওখৎলে। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙসি ঐহাক্না ক্যুইজ গী ৱিন্নর ওইবা ঙল্লিবসি ইন্টর্নেটকী মতেংননি। লাইরিক লৈরগা পারুবা নত্তে, পাউখুম থিরুবা নত্তে। অদুম ওইনমক মালেম অসিদা সাইন্সনা ফনা চাওখৎলে হায়রগসু মীওইবা ঐখোয়গী মোরেলিটিদি ৱাংখৎপা খক ঙমদ্রি। মসিগীদমক তশেংনা থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওরি। সাইন্সনা মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা অহোংবা, চাওখৎপা কয়া পুরক্লবসু মালেম অসি অচৌবা ইমুং অমগুম লৌনরবসু, ফুরুপ অমগা অমগা, লৈবাক অমগা অমগা য়েংথিনবা, নুংশিনদবা, লানগী থরুম তৌনবদি অদুমক লেপত্রি। নুংশিনবা, চান্নবা, মীনুংশি, লাইনিং-লাইশোন হায়বদু মাঙখ্রে। অমগা অমগা হাৎতোক্লরি। মীওইবা অমগী মমল করিসু লৈতনা খন্নরে।

পিক্লবা ইরমদম মণিপুর অসিদসু অদুমমঙাই, য়েংহৈদবা, তাহৈদবা, তৌহৈদবা ঙাক্তা ঙাইরে। মীশিংসি নোংম-নোংমগী পুকচেল ফৎচিল্লক্ত্রে। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থম্মোয়গী থোং শাবগী মহুৎতা চেকপল খাগৎনরে। ঐনা হায়জনিংবদি চাওখৎপা হায়বসি লম্বী-থোং ফজবা, য়ুম-কৈ ৱাংনা ৱাংনা শাবা, শেল পায়বদু খক নত্তে। মীওইবা ঐখোয়গী পূক্লিং-ৱাখল অসি হোংহনবা, ৱাংখৎহনবা মথৌ তাই। মরম অদুনা হৌজিক্কী মতমদা মোরেল এদ্যুকেসন অসি য়াম্না মথৌ তারে হায়জনিংই। প্রজেন্ট এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসি শেমদোকপা মতম ওইরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ৯৯গী মনা ফংখ্রবা লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়দগী তোংব্রম জিবোন, অপোকপা টি তেন্দেন অমদি অপোকপী সোরোজিনিগী মচানি, গ্রেজুয়েটনি।

জিবোননা ফোঙদোকখিবদা, হুইয়েন লানপাউগী ক্যুইজ অসি কান্নবা ওই। ঐখোয়দা লৌশিং হেনগৎহনবতা নত্তনা হেন্না খঙনিংবগী মহাও পীরি। লিটরেরি ক্যুইজ পাউখুম অসি থিবা অরাইবা ওইদে। পাউখুম থিনবা হোৎনবদা লাইরিক য়াম্না পাবা মথৌ তাই। লাইব্রেরীদা চৎতুনা পাবগী খুদোংচাদবনা অয়াম্বা পাউখুম অসি ইন্টর্নেটতা ফংবা লাইরিকশিং দাউনলোদ তৌদুনা পায়। ইন্টর্নেটতা ফংদবদদি পাউখুম থিবদা অৱাবা ওই। এম যুদা তল্লিবা মহৈরোয়শিং অসি ক্যুইজদা শরুক য়াহন্নিংই। মসিনা তল্লিবা মহৈশিং অদুগী মথক্তা অহেনবা লৌশিং কয়া পীগনি। হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসি মখল মথেল শুনা য়াওরবা পাউচে অমা ওইরে। মসিদা লৈকায়দগী হৌরগা মালেমদা থোক্লিবা মরুওইবা পাউ চিত্থদনা মীয়ামদা খঙহল্লি। হকশেলগী ওইবা কান্নরবা পাউ কয়া অমসু হাপ্লি। মসিদা অনৌবা ওইনা ফ্লাইটকী মতম অমদি মরুওইবা ফোন নম্বর হাপ্পা অসি য়াম্না নুংঙাই। ৱাইরু ৱাইরুবদা, কুঞ্জো নাওরেমগী সাইন্সকী খোঙচৎ অসি পাবদা কান্নবা য়াম্না পী। মণিপুরগী রাইটর/পোইটশিংগী মরক্তা থা অমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু শুগাইনা হাপ্পীরগদি হেন্না নুংঙাইগনি। হুইয়েন লানপাউগী লিটরেরি ক্যুইজগী পাউখুম পীনবগীদমক লাইরিক পাবা অসিনা খঙবগী চাং য়াম্না হেনগৎহল্লি। মসি য়াম্না কান্নরবা অমনি। মহৈরোয়শিংনা ক্যুইজ অসিদা শরুক য়াবদা য়াম্না কান্নগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ‘ঈকং থোকপনা ঙা শিরে’

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): নোং মরাং কায়না তাদবনা মরম ওইরগা ঈশিং কংবদগী ঙা য়োক্তুনা হিংনবগী লম্বী ওইজরিবা ঙামীশিং অৱাবা মায়োক্লরে। নোং তাদবনা লৌ উবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা লৌমীশিংগী অৱাবা কোক্লবগীদমক্তদি চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঈশিং চিংনবা পম্প কয়ামরুম পীবীরি। অসিগুম্না ঙা শিবদগী অৱাবা মায়োক্লরিবা ঙামীশিংগীসু অৱাবা কোক্লবা হোৎনবিনবা চিফ মিনিষ্টরগী পুক্নীং চিংশিঞ্জরি হায়না নেসনেল এসোসিএসন ওফ ফিশরমেন, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ঐচ কাঙজম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা হৌজিক নোং মরাং কায়না তাদবনা মরম ওইদুনা লৌ উবা ঙমদবা মফম কয়াদা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঈশিং পম্প কয়ামরুম পীদুনা লৌ উবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরি। নাকল অমরোমদনা, ঙা য়োক্তুনা হিংজরিবা ঙামীশিংগীদি ঙসি ফাওবদা ঈশিং কংদুনা ঙা শিরবা ঙামীশিংদা মতেং অমত্তা পীবিদবগুম তৌরি। ঙাদি ঈশিং লৈতবা মফমদা পুঙ্খায় অমা ফানা হিংবা ঙমদনা শিরিবনি। ফিশরি দিপার্টমেন্টনসু মণিপুর লৈঙাক্তা হীরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট পীফম থোকই।

লোক্তাকমায়কৈদা ঙা মচা কয়া শিবা থেংনরে। উরোকশিংনা কোয়পাই-পাইদুনা অশিবা ঙা মচা চাবা থেংনরে। নম্বুল তুরেলগী ফৎতবা ঈশিংনা লোক্তাক য়ৌরকপদগী ঙা শিবনি হায়নরি। মণিপুরগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৯০ দি ঙা চায়। অদুবু লমদমসিদা ঙা পুথোকপগী চাং য়াম্না নেম্বনা মপান্দগী পুশিল্লকপা মশা শোক্লবা ঙাশিং চাদুনা লৈরি। ফিশরি দিপার্টমেন্ট অসি বজেট য়াম্না পীকপা দিপার্টমেন্ট অমা ওইরি। খুদোংচাদবা কয়াশিং অসি য়েংলগা চিফ মিনিষ্টরনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কুনমাথোইশুবা রেঙ্কতা লাক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২১ (ঐচ এন এস): আউটলুক-আই সী এ আর ঈ ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি রেঙ্কিং ২০১৯ না ইন্দিয়াদা লৈরিবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ৪৯ গী রেঙ্কিং পীবদা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফালনা ২১ শুবা রেঙ্কতা লাক্লে হায়না সী এ য়ু ইম্ফালগী দিরেক্টর ওফ ইন্সত্রক্সন এস বসন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ুনিভর্সিটিশিংনা তোঙান তোঙানবা লম্‌দা তৌখিবা থবকশিং অদু চাংদম্নদুনা য়েংলবা মতুংদা রেঙ্ক অসি পীরকখিবনি। হন্দক ফংলিবা রেঙ্কিং অসিনা ইকুই কুইদনা সিলভর জুবিলি সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফালদা ফিদম্নিংঙাই ওইরবা মীৎয়েং অমুক হাপকৎলে। আউটলুক-আই সী এ আর ঈনা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংগী ওইনা পর্ফোমেন্সশিং য়েংদুনা রেঙ্কিং পীরকপদা সী এ য়ু ইম্ফালনা ২১ শুবা রেঙ্কতা লাকখিবনি। সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ৪৯ গী মনুংদা থবক থৌদাংশিং য়েংলবা তুংদ রেঙ্কিং অসি পীরকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনাম খা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।০৭।২০১৯, নিংথৌকাবা, নুংথিলগী পুং ২.০৪
ফাওবা ঈঙেলগী ২০ পাল্লি, মতুংদি ২১ নি পাল্লনি।

মেষ : লন চাওখৎপা, ইমুং-মনুং অমদি মীয়াম্না লুনা চান্না তৌবিবা নুমিৎনি। নাপল তৌবদি য়াদবা, হন্থবা লোয়নবা মাঙজবা অমদি অশা চাউবনা চাদিং হেনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনদি চানগনি-নীংবদি থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : শেল-থুম কান্নগনি, মীংচৎ ফংগনি, অরং-অরাক লেপশিনবা য়াগনি অমদি লিংজেল ফুদোকপনা অফবা মফম কনজবা ঙমগনি। অরিবা থবক্তদি য়েৎপা লৈখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : চিংনগনু অনীংবা অফবা থবক শোইদনা পাংগনি অমদি শেল-থুমগী থবক্তসু চাউনা কান্নবা ফংগনি। মীনা কিহনবা অমদি পাউ নুংঙাইতবা খরদি লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিসক।

কর্কট : শেল চৎফম অমদি চরাংনবনা কাইনবা য়াবা লৈ। মীনা ইনশিনবা লৌগনু অমদি লম চৎপা চেকশিল্লু। নথক থোংবনা য়ানবা চৎলু অমদি ওইদবনা মাংওইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : মরম চাদনা ইচং থৌগনু, অনম তানবনসু মাঙগনি অমদি ঙল্লোইদবা থবক্তা হোয়া ফগনু-মদুনা ওইজবা মাঙবতা নত্তনা অফা-অপুন নংবসু য়াই। তহা তহাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইবা তম্মু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা : নীংজবা থুংগনি, লল্লোন-ইতিক্কী লম্‌দা চাউনা মায় পাক্কনি অমদি পন্দুনা লৈখিবা শেল ফংবা য়াবা লৈ অদুনা থিন্থদনা হোৎনবা ফৈ। মীয়াম্নসু থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : নথক থোংবনা য়েংশিনবা অমদি চিন য়াঙবনা মুক্লবা য়াবা লৈ। য়েৎনবা, ঙাঙ-শকপা অমদি লৌশিং তান্নবগী লম্‌দদি মায় পাক্কনি।লল্লোন ইতিক কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎলি অদুনা থৌশাদবা তৌগনু অমদি ঙল্লোইদবদা হোয়া ফগনু। মীয়ামগা লোয়ননা চৎপা কান্নগনি অমদি নুংঙাইবা শোইদনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : ঙাঙথোকপদা ইকায়খুম্নবা ফংগনি, পন্দুনা লৈরম্বা থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি অরং-অরাক লেপশিনবা য়াবা নুমিৎনি। শাগৈ নত্রগা নক্লবনদি য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর : নীংবা থুংগনি, লল্লোন-ইতিক্তা চাউনা মায় পাক্কনি অমদি ইমুং-মনুং ৱা তান্নবা পাংবা থবকশিং মায় পাক্কনি। নঙগী ওইবা মীগী ৱা লৌ অমদি অচুম্বনা মাঙওইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : নথক থোংবনা চাল্লি অদুনা হায়জবা-চৎচবা কান্নগনি। মীয়াম্নসু থাগৎপিগনি অমদি মরুপ অফবা ফংগনি। মহু চাউবনা নচা-ননাই মাঙহন্নবা হোৎনৈ-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : নীংবদুমক পাংগনি মায়সু পাক্কনি অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দা থোইনমক শেন্দোং ফংগনি। নুংঙাইবা মফম ফংদুনা অমদি অকিবা কোক্কনি। নেল্লুক্লদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা হেন্না লুনা তৌবি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



HL-B/5551/16-13Aug.



HL-B/5557/20/7-31/8/1-19/9